## ইন্দিয়াগী এফ দি আই চাদা ৬ হেনগৎখি

য়ুনাইটেদ নেসন্স, জুন ১৩ :
ইন্দিয়াদা ফোরেন দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্ট (এফ দি আই)গী চাং হৌখিবা চহীদা চাদা ৬ হেনগত্তুনা দোলর বিলিয়ন ৪২ য়ৌখি হায়না য়ু এন কনফরেন্স ওন ট্রেদ এন্দ দিভলপমেন্ট (য়ু এন সী টি এ দি)গী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

ৱার্ল্ড ইনভেষ্টমেন্ট রিপোর্ট ২০১৯ কৌবা য়ু এন সী টি এ দিগী রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না মরু ওইবা ইন্দষ্ট্রি রিসিপিএন্ট অহুম হায়বদি মেন্যুফেক্টচরিং, কম্যুনিকেসন অমসুং ফাইনাসিএল সর্ভিসেসতা ইনভেষ্টমেন্টকী চাং ৱাংখি।

## জি ২০ সম্মিটতা খন্নরগনি

অঙ্কারা, জুন ১৩ : অঙ্কারানা রসিয়াদগী এস-৪০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম লৈবগী ৱাফম অসি থা অসিগী অথেংবা শরুক্তা জপানদা পাঙথোক্কদৌরিবা জি ২০ সম্মিটতা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পকা খন্নরগনি হায়না টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেপ টায়িপ এদোগান্না হায়খ্রে। জপান্দা উন্নদ্রিঙৈগী মাংওইননা ইশ্যু অসিগী মতাংদা ফোনদা ৱারী শানরবসু কায়দে হায়খি।

# ইরানগী মতাংদা উংখৎনবা লৈরিঙৈদা গল্ফ ওফ ওমানদা ওইল টেঙ্কর অনীদা এটেক তৌখ্রে



দুবাই, জুন ১৩ (এজেন্সি):
গল্ফ ওফ ওমানদা ওইল টেঙ্কর অনীদা এটেক তৌখ্রে হায়না সিপ্পিং ফার্মশিং অমসুং ইন্দষ্ট্রি সোর্সশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

লমদম অদুদা লিমপেট মাইনশিং শীজিন্নদুনা অতৈ ওইল টেঙ্কর মরি মাঙহন তাকহনখিবা থা অমগী মতুংদা চথখিবা এটেক অদুনা থাউগী মমল চাদা ৪ ফাওবা হেনগৎহনখ্রে অমদি মিদল ইষ্টকী টেন্সনসু মখা তানা হেনগৎহনখ্রে হায়রি।

টেঙ্করশিং অদুগী মনুংদগী অমা ওইরিবা ফ্রন্ট অলটেয়র কৌবা টেঙ্কর অমদি পেট্রোকেমিকেল ফিদষ্টোক্কী কার্গো পুরগা চৎলম্বনি অমসুং টেঙ্কর অসি গল্ফ অরাব ষ্টেটশিং অমসুং ইরানগী মরক্তা লৈরিবা ঈশিংগী শরুক্তা মৈ চাকখি। ইরানগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিনা টেঙ্কর অদু ঈশিং মনুংদা লুপখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরবসু মদুগী নোর্ৱিজিন ওনরনদি ভেসেল অদু ঈশিংদা তাওরগা লৈরি অমসুং মদুগী ক্রু মেম্বরশিংসু অশোয়-অঙাম থোকখিদে হায়খি।

অতোপ্পা টেঙ্কর অদুদি ক্রু অমত্তা য়াওদনা কোইতাও তাওরগা লৈখি। এটেক অদুগী মতুংদা বেহরেনদা বেজ তৌবা য়ু এস নেভিগী মঙাশুবা ফ্লিটনা হায়খি মদুদি, দিষ্ট্রেস কোল খরা লাকপদগী মখোয়না চঙশিন্দুনা টেঙ্করশিং অদুদা মতেং পাংখি। বৃটেনগী রোয়ল নেভিগী শরুক অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ কিংদগী মরিটাইম ওপরেসন্সনা থৌদোক অদুগী মতাংদা পার্টনরশিংগা লোয়ননা থিজিল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

শগোলশেল নুমিৎকী এটেক অদুগী অকুপ্পশিং খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদ্রবসু ভেসেলশিংদুগী মরক্তগী অমা ৱাইরিবা ফার্ম অদুনা থৌদোক অদু সিপ অদুদা টোরপেদো অমা কাপশিন্দুনা এটেক তৌরকখিবা মাল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা ভেসেল অদুনা মেগ্নেটিক মাইন অমা পোকখায়বদগী অমাঙ-অতা থোকখিবগী মওং মাল্লি হায়না সোর্স অমনা হায়খি। হৌখিবা থাদা টেঙ্কর মরিদা চথখিবা এটেকশিং ইরানগী খুৎনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউদি অরাবিয়না মরাল শীখিবদা টেহরান্না য়াখিদবনি। শগোলশেল নুমিৎকী থৌদোক অদুগী পাউ শন্দোরকখিবা মতুংদা মালেমগী থাউগী মমলশিং চাদা ৪ ফাওবা ৱাংখৎখ্রে হায়রি। টেহরানগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামগী মতাংদা ইরান অমসুং য়ু এসকী মরক্তা য়ানদবদগী লমদম অদুদা উংখৎনদুনা লাকখিবনি।

# রোকেট এটেক্কী পাউখুম ওইনা ইজরেলনা হমাসকী টার্গেটশিংদা এয়রষ্ট্রাইক চথখ্রে



জেরুসলেম, জুন ১৩ (এজেন্সি):
মতম খরা লেপ্পুরবা মতুং হৌখিবা থাদা ইজরেল অমসুং পলিষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা ক্রোস-বোর্দর লান হৌখিবদগী অহানবা ওইনা লানগী ফিভম হেন্না কনশিল্লকখিবগী খোঙথাং অমদা পলিষ্টিনিয়নশিংনা রোকেট ষ্ট্রাইক অমা চথখ্রবা মতুং শগোলেশেল নুমিত্তা ইজরেলি এয়রক্রাফটনা গজাদা লৈবা হমাসগী টার্গেট অমদা এটেক তৌখ্রে।

বোর্দর ৱাংমদগী মৈগী বলুনশিং কাপশিল্লক্তুনা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইজরেলগী খা থংবা শরুক্তা লৌবুকশিং মৈ চাকহনখিবগী পাউখুম্নি হায়রদুনা ইজরেলনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা গজাগী ঙামীশিংবু সমুদ্র খোংবানগা নক্লনা ঙা ফাবা থিংজিনখিবা মতুংদা নাকল অনীগী মরক্তা ইনৌ নৌনা খুৎ থোক্নরকখিবনি।

ইজরেলি মিলিটরিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা, গজা ষ্ট্রিপতা পাল্লিবা হমাস মিলিটেন্ট গ্রুপকী কম্পাউন্দ অমদা লৈবা অন্দরগ্রাউন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা ইজরেলি ফাইটর প্লেনশিংনা এটেক তৌখি। এটেক অদুগা মরী লৈননা অশোক-অপন নৎত্রগা মীশি মীনা থোকপগী পাউদি লৈখিদে।

এয়র ষ্ট্রাইক অদু গজাদগী অহিংদা রোকেট অমা কাপশিল্লকখিবগী পাউখুম ওইননি। রোকেট অদু ইজরেলগী আইরন দুম এন্টি-মিসাইল সিষ্টেম্না লমখাংদা কাপথখি হায়না মিলিটরিনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা মেগী অঙনবা শরুক্তা নাকল অনীগী মরক্তা নুমিৎ নিনি কন্না খুৎ থোক্নখিবদা গজাদগী প্রোজেক্টাইলশিং কাপশিল্লকপদা ইজরেলি মীচম ৪ শিখি অদুগা ইজরেলি ষ্ট্রাইক্তা পলিষ্টিনিয়ন ২১ শিখি।

# পোলেন্দদা য়ু এসনা নৌনা লান্মী অমদি খুৎশু খুলায়শিং থমজিল্লকপদা রসিয়ানা পাউখুম পীগনি



মোস্কো, জুন ১৩ (এজেন্সি):
প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা লাউথোকখিবগী মতুং ইন্না য়ু এস মিলিটরিনা পোলেন্দদা ইনৌ নৌনা লান্মীশিং অমদি খুৎশু খুৎলায়শিং থমজিল্লকপা তারবদি মোস্কোনা তঙাই ফদনা মদুগা চান্নবা লমন খুম্বগী খোঙথাংশিং লৌখৎকনি হায়না রসিয়ন লোমেকরশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়ন লোমেকরশিং অদুগী মনুংদগী অমনা পোলেন্দবু লান অমা থোরকপা মতমদা মোস্কোগী টার্গেট অমা ওইনা খন্নরকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ু এসকী খোঙচৎতা ৱাশিংটনদা লৈরিবা পোলেন্দগী প্রসিদেন্ট অন্দ্রেৰ্ঝেজ দুদাদা য়ু এসকী ট্রুপ ১০০০ পোলেন্দদা দিপ্লোই তৌরগনি হায়না থাজবা পীখিবনি। থৌরাং অদু রসিয়ানা চথরকপা য়াবা অকন-অরিংগী থৌওংশিংদগী ঙাকথোক্নবা ৱারসোগী মায়কৈদগী য়ু এসতা হায়জখিবনি।

পোলেন্দগা য়ু এস ট্রুপশিং ইনৌ নৌনা থমজিনবগী থৌরাং অদুদা মোস্কোগী মায়কৈদগী রসিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংনা ইহান হান্না রিয়েক্ট তৌখিবনি। থৌরাং অদুদা মিলিটরি দ্রোন কয়াসু দিপ্লোই তৌবগী ৱাফম য়াওরি হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা খঙহৌদনা ঐখোয়দা এটেক তৌরক্তুনা লান অমা থোক্লকপা তারবদি পোলেন্দগী লম পুম্নমক ঐখোয়না খুৎ হনবগী ময়েক শেংলবা টার্গেট অমা শোয়দনা ওইরগনি হায়না রসিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউসকী ইন্টরনেসনল এফেয়র্স কমিটিগী দেপ্যুটি হেদ ওইরিবা ভ্লাদিমির দঝবোরোভনা ইন্টর্ফেক্স ন্যুজ এজেন্সিদা হায়খি। য়ু এসনা পোলেন্দদা ইনৌ নৌনা লান্মী অমসুং খুৎশু খুৎলায়শিং থমজিন্নবা হোৎনরক্লিবা অদুগী মতাংদা ক্রেম্লিনগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা কমেন্ট অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রবসু প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিন্না ইন্টরভিয়ু অমদা মোস্কো অমসুং ৱাশিংটনগী মরী ফচিল্লক্ত্রে হায়খি।

# অলজেরিয়াগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অমা করপসনগী মরালদা জেলদা থম্নবা কোর্টনা খঙহনখ্রে



অলজিয়র্স, জুন ১৩ (এজেন্সি):
করপসনগী মরাল কয়াগা মরী লৈননা অলজেরিয়াগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অব্দেলমালেক সেল্লাল শগোলশেল নুমিত্তা লৈবাক অসিগী সুপ্রিম কোর্টনা জেলদা থম্নবা ওর্দর তৌখ্রে হায়না ষ্টেট টেলিভিজন রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

অব্দেলমালেক সেল্লাল অসি করপসন্দা চেন্নবা লুচিংবশিং প্রোসিক্যুট তৌনবা দিমান্দ তৌরদুনা প্রোটেষ্টরশিংনা হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা খোঙজং কয়া চঙশিনখিবদগী ফাজিনখিবা হান্নগী প্রসিদেন্ট অব্দেললাঝিঝ বৌটেফ্লিকাগা খ্বাইদগী নকশিন্নবা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি।

অলজেরিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবদা নত্তনা বৌটেফ্লিকাগী কেম্প্যেন মেনেজর কয়ারক হন্না ওইখ্রবা সেল্লাল অসি হৌজিক পব্লিক ফন্দশিং মরম চাদনা মাঙহনখিবগা মরী লৈননা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি হায়না ষ্টেট টিলিভিজনগী রিপোর্ট অদুদা পনখি।

হীরম অসিগী মতাংদা কমেন্ট লৌনবা হোৎনবদা মহাক্কী উকিল অমত্তা খুদক্কী ওইনা ফংখিদে হায়রি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কোর্ট অদুমক্লা অতোপ্পা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অহমদ ওয়ুয়াহিয়াসু করপসনদা চেন্নবগীদমক্তা ফাজিন্নবা ওর্দর তৌখি। মঙোন্দা শীরিবা মরালশিং অদুদা লোনা য়াদবা মওংদা মীওই কয়াদা খুদোংচাবা কয়া পীথোক্লম্বা অমসুং পব্লিক ফন্দশিং মরম চাদনা মাঙহনবনচিংবা য়াওরি।

সুপ্রিম কোর্টগী জজ অমনা হান্নগী ট্রান্সপোর্ট এন্দ পব্লিক ৱার্কস মিনিষ্টর অব্দেঘানি ঝালানেগী পাসপোর্ট লৌশিনখি অমসুং মহাকপু মথংগী থাদা কোর্ট অদুদা অমুক হন্না কারক্লবা ওর্দর তৌখি হায়না ষ্টেট টিভিনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

অলজিরিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট বৌটেফ্লিকা অসি আর্মিগী মায়কৈদগী প্রেসর কন্না পীবদগী হৌখিবা এপ্রিল ২ দা মফম থাদোকখিবনি। হৌজিক আর্মিনা লৈবাক অদুগী মরু ওইবা দিসিজন-মেকর ওইদুনা লৈরি। আর্মিগী চীফ ওফ ষ্টাফ অহমদ গাইদ সলাহনা লৈবাক অদুগী কোর্টশিংদা করপসন্দা চেন্নবনি হায়না চিংনবা মীওই খুদিংমক প্রোসিক্যুসন থুনা চথনবা তকশিনখ্রবনি।

বৌটেফ্লিকাগী ইতোন তোনবা মনাওনুপা সাইদ অমসুং হান্নগী ইন্টলিজেন্স চীফ অনীসু আর্মিগী ওথোরিটিদা অকায়বা পীবা অমসুং ষ্টেট ওথোরিটিগী মায়োক্তা লাল্লোং কয়া চথবগীদমক্তা ফাজিন্নবা মিলিটরি জজ অমনা ওর্দর তৌখ্রবনি।

TODAY HOUSIE BUMPER DRAW TODAY
In aid of
Annual Fund Drive Org. By United Veteran Sports Association Regd. No. 265/SR/IW/2003
Ticket Rate Rs. 1000/-
HOUSEFULL
Date / Time :
14th June 2019 (6p.m.)
1st 2nd 3rd 4th 5th 6th 7th 8th

MINI BUMPER
Ticket Rate Rs. 500/-
Housefull
Rs. 2 Lakhs
VENUE : Kakwa Community Hall
HL-P/4297/14

## য়ু এসকী ইকনমিক ৱারনা রিজনেল টেন্সন থোকহনবনি : রৌহানি

টেহরান, জুন ১৩ (এজেন্সি):
মিদল ইষ্ট লমদমদা উংখৎনবগী ফিভম লৈরিবসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানগী মায়োক্তা ইকনমিক ৱার চথবদগীনি হায়না ইরানগী প্রসিদেন্ট হসন রোহানিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লমদম অসিদা থোক্লিবা উংখৎনবা ফিভম খরদা ঐখোয়না য়েংবা তারবদি য়ু এসনা ইরানিয়ন নেসনগী মায়োক্তা ইকনমিক ৱার চথবদগী অসিগুম্বা ফিভম অসি লাকপনি হায়না ইরানগী খোঙচৎতা লৈরিবা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সীঞ্জো অবেগা লোয়ননা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা টেহরান্দা পাঙথোকখিবা জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অমদা রৌহানিনা হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অসিগুম্বা ইকনমিক ৱার অসি লেপ্পা তারবদি ঐখোয়না গল্ফ লমদম অমদি মালেমদা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা চাওখৎ খোঙথাং কয়া পায়খৎপা উবা ফংগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

[illegible]/তখেল্লম্বম শাগৈ অচৌবগী পাউজেল

পল্লেল মনিং হৈবোংমখোঙ পরেংদা লৈবা তখেল্লম্বম শাগৈ অচৌবা, পল্লেল, মঙাং সলাই অপোকপা অসিগী খুরুম্বগী থৌরম (হরাওবা), লাক্লিবা ইঙাগী ১৫নি পানবা, থানিল (পুর্ণিমা), নিংথৌকাবা নুমিৎ, জুনগী তাং ১৭, ২০১৯ ইংদা থোক্লে। নুমিৎ অসিদা অনকপা অমদি অরাপ্পদা লৈবা তখেল্লম্বম শাগৈচাশিংনা মতম চানা লাকপীদুনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা অমদি য়াইফ-থৌনি য়াওবীবগা লোয়ননা শীঞ্জরিবা লুকলেন ফংমিন্নবা নোল্লুক্লা হায়জরি।

পাউজেঞ্জরিবা :- তখেল্লম্বম লৈশঙ (পিবা)
সেক্রেটরি, তখেল্লম্বম শাগৈ অচৌবা, পল্লেল
৭০৮৫৭০১৪৯৪, ৮৭৩০৮১৭৫০৪
HL-B/5476/14

[illegible]/পাসবুক তাহৌরে

শ্রী সঞ্জ্রাম্বম কুলেশ্বর সিংহ, লাইরিকয়েংবম অৱাং লৈকায়দা লৈবগী লমলোং পোষ্ট ওফিসনা পীবা সেভিংস একাউন্টকী পাসবুক নম্বর ৫৮৪৬৯৩৫২৫৫ অসি মফম খঙদনা লম্বীদা তাহৌরে। কনাগুম্বনা থেংনবীরবদি মখাদা সহি তৌজরিবা অসিদা পীবিরক্লবা নীংশিংজরি।

Sd/- Sanjrambam Kuleshwor Singh
Lairikyengbam Awang Leikai, 9856975095
HL-P/3010/14

## পুলিসকা প্রোটেষ্টরশিংগা মুক্নখ্রে

হোং কোং, জুন ১৩ (এজেন্সি):
হো কোং পুলিসনা য়াম্লবা প্রোটেষ্টরশিংবু টিয়র গ্যাস সেলশিং, রবর বুলেটশিং কাপ্পুনা তানখায়খ্রবা মতুং নোংমা কান্নরগা শগোলশেল নুমিত্তসু মখা তানা এক্সট্রাদিসন লোগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌনবা লৈহৌরিবা মীওই চা কয়া লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা অমসুং দেমোষ্টেচরশিংগা মরক্তা মুক্নখ্রে হায়রি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা প্রোটেষ্টরশিংনা সিটি অদুগী লেজিসলেচর কোয়শিন্দুনা থমখিবদগী এক্সট্রাদিসন বিল অদুগী মতাংদা পাঙথোক্কদবা দিবেট অমা য়ৈথোকখি।

বিল অদুনা কম্মসিএল হব অদুদা মীয়ামগী ফ্রীদম অমসুং কনফিদেন্সতা অকায়বা শোয়দনা পীরক্কনি হায়না হোং কোংগী মীওই কয়ানা থাজনরিবনি।

চাইনানা শৌগৎপা হোং কোংগী চীফ এগজিক্যুটিভ কেরিলালনা মদুবু কন্দেম তৌখি অমসুং ইরাং অদুবু লাকশিন্নবা ওর্দর তৌবগা লোয়ননা রেজিস্লেসন অদু শোয়দনা পাস তৌনবা মখা তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎলগনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখি।

SKY Hospital & Research Centre Pvt. Ltd.
Govt. Recognised Hospital for Treatment of Various Heart Diseases
RIMS Road, Imphal-West, 795004, Manipur

Staffs Required Urgently
ADVT NO.20/2019|F/HR
If you are talented and looking for a career in a World Class Heart Hospital then don't delay, apply today for the following post:

| Sl. no. | Name of Post | Qualification | Min. Experience | No. of Post |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Maintenance Technician | B.Sc (Biotech)/ Diploma / Degree in Electrical / Mechanical Engeneering | 1 year | 1 |
| 2. | ECHO Nurse | G.N.M. / Equivalent | 1 year | 1 |
| 3. | OPD Nurse | G.N.M. / Equivalent | 1 year | 1 |
| 4. | ICCU Nurse | G.N.M. / Equivalent | 2 years | 2 |
| 5. | CTVS-ITU In-charge | G.N.M. / Equivalent | 3 years | 1 |
| 6. | Receptionist | Graduate / Equivalent | 1 year | 1 |
| 6. | Medical Attendant | 10th Pass / Equivalent | Fresher may apply | 1 |

Pay & Perk will depend on qualification, experience & performance at interview
Last date of form submission : 24/06/2019
Date of Interview : 26/6/2019
Contact HR @ 8415938205/8119921756 or email us at hr@skyhospitals.com
HL-B/5479/14

## বোকো হরামগী এটেক্তা ২৪ শিরে

য়াওন্দে, জুন ১৩ (এজেন্সি):
কেম্মরুনগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা লেক চাদ হায়না খঙনবা পাৎ অমগী ইথৎ অমদা হৌখিবা নোংমাইজিংদা বোকো হরাম মিলিটেন্ট ৩০০ লোম লাক্লগা চথখিবা এটেক্তা মিলিটরি আউটপোষ্টশিংদা লৈবা কেম্মরুনগী লান্মী ১৬ য়াওনা মীওই ২৪ শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। কেপিটেল য়াওন্দেদগী কিলোমিটর ১০০০ রোম লাপ্পা লৈবা দরাক দিষ্ট্রিক্তা চথখিবা এটেক অদু চহী খরা অসিদা বোকো হরাম্না কেম্মরুন্দা চথুরকখিবা হাৎপা তুপ্পা অমদি ওৎ নৈবগী থৌদোকশিংগী মনুংদা অমনি।

SLOPELAND PUBLIC SCHOOL
Salt Village, BPO- Khongjom, -795148
Biggest and Finest Residential School in NE- India
(Affiliated to CBSE- New Delhi)
Contact: 9615965922/08119041131/9615520109
E-mail: slopelandpublicschool@yahoo.com
Web: www.slopelandpublicschool.com

POST VACANCY

Applications are invited from the eligible candidates on the plain paper with bio-data for the following vacant posts on or before 24th June 2019.

| Sl. No. | Name of Post | Minimum Qualification | No. of Post |
|---|---|---|---|
| 1 | TGT Mathematics | M. Sc / B.Sc. Mathematics | 02 |
| 2 | TGT Manipuri | M.A / B.A. Manipuri | 02 |
| 3 | TGT Chemistry | M. Sc./ B.Sc. Chemistry | 02 |
| 4 | TGT Physics | M. Sc / B.Sc. Physics | 02 |
| 5 | PGT Pol. Sc. | M. A. Political Science | 02 |

Salary applicable as per CBSE norms.
Date of Interview is on 25/06/2019 at School Administrative Block at 10.30 a.m.
Sd/- Principal
Slopeland Public School Khongjom
HL-B/5478/14,16,18

UCO IMPHAL BRANCH
यूको बैंक UCO BANK
THANGAL BAZAR

POSSESSION NOTICE
FOR IMMOVABLE/ MOVABLE PROPERTY
UNDER SARFAESI ACT, 2002

POSSESSION U/S 13(4)
OF THE SECURITIZATION AND RECONSTRUCTION OF FINANCIAL ASSETS AND ENFORCEMENT OF SECURITY INTEREST ACT, 2002

সেক্যুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সট্রক্সন ওফ ফাইনান্সিয়েল এসেটস এন্দ এনফোর্সমেন্ট ওপ সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট এক্ট, ২০০২ গী মখাদা য়ুকো বেঙ্ক ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী ওথোরাইজ ওফিসর ওইনা মখাদা সহি তৌরিবা ইশামক্লা সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (এনফোর্সমেন্ট) রুল, ২০০২গী সেক্সন ১৩(১২) অমদি মসিগী মতুং তাবা রুল ৮ অমসুং ৯না পীবা শক্তি শীজিন্নদুনা শেল পুরিবা মীওই/গেরেন্টরশিংদা তোল্লিবা শেনফমশিং, মখোয়গী ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিংগা লোয়ননা নোটিশ অসি ফংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৬০ (নুমিৎ হুম্ফু)নিগী মনুংদা শিংদোক্লুবা খংহঞ্জরি।

মখাদা পল্লিবা বোরোৱর গেরেন্টর মোর্গেজরশিংনা শিংফম থোকপা শেনফম শিংবা ঙমখিদবদগী ওথোরাইজ ওফিসরনা মথক্তা পল্লিবা এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩(৪) অমসুং মসিদা পল্লিবা রুল ৮ অমসুং ৯ গী পাৱর শীজিন্নদুনা প্রোপর্টি অসি মখাদা পল্লিবা তারিক অসিদা লৌশিল্লে হায়না বোরোৱর/গরেন্টর অমসুং মীয়ামদা নোটিশ অসি পীজরি।

মখাদা পল্লিবা প্রোপর্টিশিং অসি দিলিং তৌবিদনবা মীয়াম অমদি মরু ওইনা বোরোৱর/গরেন্টরশিংদা খঙহল্লি, করিগুম্বা দিলিং তৌগে হায়রবসু মখাদা পল্লিবা এমাওন্ট অমসুং শেন্দোইগা মান্নবা প্রোপর্টি শরুক্তুগীদি য়ুকো বেঙ্ক, ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী অয়াবা লৌগদবনি।

| সে: নং: | শেল পুরিবা মীওই অমসুং গরেন্টরগী এ/সী নং, মিং অমসুং লৈফম | নোটিশ পীখিবা তারিখ/সিম্বোলিক পোজেসনগী তারিখ/নোটিশ পীবা নুমিৎতা লৈবা শিংগদবা শেনফম | প্রোপর্টিগী মওং মতৌ |
|---|---|---|---|
| ১. | এ/সী নং ৬০০৭০০০০২<br>মীং : **শ্রীসামুএল রিশোম** (বোরোৱর) অপোকপা (এল) লুইসা রিশোম, লৈফম্না হুন্দুং ভিলেজ, হৌজিক্কী লৈফম্না দুলালেন্দ<br>মীং : এন জি মেক্স ফাঝাং (গরেন্টর) লৈফম উখ্রুল | নোটিশ পীখিবা তারিখ : ১১/০৯/২০১৮<br>পোজিসনগী তারিখ : ০৭/০৬/২০১৯<br>বি/ও এমাউন্ট : লুপা ১৩,৩৮,৩৬৮/- | দাগ নং: ৪৬০/৫৭২ পাট্টা নং : ২৫(এ)/২৫৬/১৮৫৬/(অনৌবা) ওইবা এক্তর ০.০৪৭ পাক চাওবা ভিলেজ নম্বর ২৫ (এ) কবো লৈকাইদা লৈবা মখাগী অসুম্না কোয়শিনবা লম<br>অৱাং : বেরেন লোদজ<br>মখা : লম্বী<br>নোংপোক : বেরেন লোদজ তাবা লম্বী<br>নোংচুপ : লম্বী |
| ২. | এ/সী নং ৬০১১০০১০৬<br>মীং : **শ্রীকোংব্রাইলাৎপম রাতিকান্ত শর্ম্ম** (বোরোৱর) অপোকপা কে তোম্বী শর্ম্ম, লৈফম্না শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ<br>মী: শ্রীসনাবাম গ্যনেশ্বর সিংহ (গরেন্টর) | নোটিশ পীখিবা তারিখ : ২৩/১১/২০১৮<br>পোজিসনগী তারিখ : ০৭/০৬/২০১৯<br>বি/ও এমাউন্ট : লুপা ৫,৫৪,৯৪৬/- | দাগ নং: ২১৯ পাট্টা নং : ৮৬/৮৭/(অরিবা)/১৩৩ (অনৌবা) ওইবা হেক্তর ০.০৪৪৫ পাক চাওবা ভিলেজ নম্বর ৮৫ বিজয় গোবিন্দদা লৈবা মখাগী অসুম্না কোয়শিনবা লম<br>অৱাং : লম্বী<br>মখা : কে কুঞ্জাবিহারিগী লম<br>নোংপোক : কে গোকুল্লানন্দ শর্ম্মগী লম<br>নোংচুপ : লম্বী |
| ৩. | এ/সী নং ৬০১১০০১৯৫<br>মীং : **শ্রীলোইতোংবম বুধ সিংহ** (বোরোৱর) অপোকপা (এল) এল গৌরচান্দ সিংহ, লৈফম্না থাংমৈবন্দ হিজম দেৱান লৈকাই<br>মী: শ্রীসনাবাম চন্দ্রকান্ত সিংহ (গরেন্টর) লৈফম্না লম্ফেল সনা কৈথেল | নোটিশ পীখিবা তারিখ : ১১/০৯/২০১৮<br>পোজিসনগী তারিখ : ০৭/০৬/২০১৯<br>বি/ও এমাউন্ট : লুপা ৭,০৯,৪৪৬/- | দাগ নং: ১৩০ পাট্টা নং : ৮৬/২৬৯/(অরিবা)/৩৯/(অনৌবা) ওইবা হেক্তর ০.০৩০৯ পাক চাওবা ভিলেজ নম্বর ৮৬ বিজয় গোবিন্দদা লৈবা মখাগী অসুম্না কোয়শিনবা লম<br>অৱাং : ৱাই গোবিন্দ সিংহগী লম<br>মখা : আর কে জয়কুমার সিংহগী লম<br>নোংপোক : কে এস ঐচ ধিরেন সিংহগী লম<br>নোংচুপ : কে সোবাচন্দ্র সিংহগী লম |

মফম : ইম্ফাল, তারিখ : ১৪-০৬-২০১৯
Authorized Officer, UCO Bank, IMPHAL BRANCH
HL-B/5477/14